# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-10-2025)**

**এনপিপি(এল)ঃ** নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং ইম্ফালদা থুংখিবা নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি) গী নেসনেল প্রসিদেন্ট-কোনরাত কে. সংমানা ঙসি অয়ুক পাডমীশিংগা উন্নগনি।

ঙরাং ইম্ফালদা হেক থুংলবগা শ্রী সংমানা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রিসু ওইরিবা এন.পি.পিগী প্রসিদেন্টনা লমদম অসিদা শান্তি অমসং তংদু লৈতাবা হনজিলহন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী দলনা ষ্টেকহোল্ডর পুমমক্কা থবক তৌমীন্নগনি হায়না ফোংদোকখি। মহাকা হায়-মনিপুরদা লাক্লিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, রাজ্য অসিগী মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু হকথেংননা খঙদোকপগা লোয়ননা মসিবু লোয়শিন্নবা হোৎনবনি। শ্রী সংমানা হায়-লমদম অসিদা মতম চুপ্পদা শান্তি, তাদু লৈতাবা অমসুং চাউখৎপা পুরকবা হোৎনবদা মহাক্কী দলনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগা পুন্না হোৎনমীন্নগনি।

শ্রী সংমা, ঙসি কাংপোকপীদা চৎতুনা মফম অদুগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নগনি। মদুগী তুংদা, শ্রী সংমা নাগালেন্দগীদমক খোশানখিগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুস্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ককচিং জিলাগী চিং ককফম তুরেল, বফেলো ফার্মদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-এ.কে. ঘতক অমা, জি. থ্রি রাইফল অমা,

সিঙ্গল বেরেল রাইফল মঙা, অহাংবা মেগজিন তরুক, পোকখায়বা য়াবা পোৎলমশিং, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু, বুল্লেট প্রুব জেকেট, ৱয়ারলেস অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চংশাং হিলস রেঞ্জতগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা সিঙ্গল বেরেল অহুম, দবল বেরেল অমা, করবাইন্দ অমা, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরুশিং, বুল্লেট প্রুব জেকেট, এন্টি রাইওট কারটিজনচিংবা ফংখি।

অককবা পাউগী মতুং ইন্না, মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবশিং ফাবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মশানা মশাবু সরজননি হায়জবা মীওই অমা ফাখি।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি। এসেস টু সাভির্সেস-মেন্টেল হেলথ ইন কেতাসত্রোপস এন্দ ইমর্জেন্সি হায়বা হীরমদা নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী কম্মিস্নার-কম সেক্রেটরি-শ্রী সুমন্ত সিংহ, হকশেলগী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমারনচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক খ্বাইরবন্দ ইমা কৈথেলদা মেন্টেল হেলথকী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা ষ্ট্রিট প্লে অমা উৎকনি। ষ্ট্রিট প্লে অসি থৌবাল বজারদসু নুংথিলদা উৎকনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কংলা গেটতগী ইম্ফালগী নম্বুলেন্দ ফাওবা মেন্টেল হেলথ এৱারনেস রেল্লি অমা চৎকনি।

ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম সেন্টর ফোর মেন্টেল হাইজিননা শিনদুনা ঙরাং পাঙথোকখি। থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা

রিমসকী সাইকাইত্রি বিভাগকী হান্নগী হেদ-ডাক্তর আর.কে. লেনিননা হায়-হৌজিক্কী মতমদা মেন্টেল হেলথ হায়বসি য়ামা মরুওইবা অমা ওইরক্লি। রাজ্য অসিদা মেন্টেল হেলথকা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসন অমসুং মতিক চারবা প্রোফেসনেলশিং মরাং কায়না লৈত্রি।

**সেনিয়ার (এল)ঃ** ওল মনিপুর সেনিয়ার সিটিজন্স ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন, মোংশাংগৈ ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা সেনিয়ার সিটিজন্স ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা ওল মনিপুর সেনিয়ার সিটিজন্স কনফিদরেসন কৌবা এপেক্স বোদি অমা শেম্বগা লোয়ননা মেম্বর ২১ লৈগদবা মেনেজিং কমিতি অমসু শেমখি।

**ভেটিরিনারি (এল)ঃ** একাডমীক সেসন ২০২৫-২৬ কী ওইনা শকখঙলবা ভেটিরিনারি কলেজশিংদা মিং চন্নবগীদমক নিট য়ু.জি. ২০২৫ ক্বালিফাই তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা ভি.সি.আই. কাউন্সিল্লিংগীদমক ওন লাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারগনি হায়রি।

অকুপ্পা মরোল ৱেব সাইট-ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু. দোট ভি.সি.আই.দোট এদমিসন্স দোট এন.আই.সি.দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী ক্লাস টুয়েল্ব হয়ার সেকেন্দরি প্রাক্তিকেল ইগজামিনেসন ২০২৬, জানুৱারী থাদা পাঙথোক্লগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা স্কুলশিংগী পিন্সিপালশিংনা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা কাউন্সিলগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**নোনে (এল)ঃ** ৮৬ বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা লোংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা খুৎশমরগা ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙরাংদগী লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

খেল্লো ইন্দিয়া কেম্পেইনগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না স্কুল ৮ না শরুক য়ারি। ঙরাং হৌদোকপগী মেটচতা ই.ই.ভিনা তাজৈ পব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী নোটিফিকেসন ঙসি থোক্লগনি।

নোটিফিকেসন থোকখিবগা লোয়ননা মীরেপশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিনবা য়ারগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা সিট ১২১ গী ভোট থাদনগনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ১৭ নি। অহানবা তাঙ্ক্কী ভোট নবেম্বর তরুক্তা থাদনগনি। অনিশুবা তাঙ্ককা নবেম্বর ১১ দা সিট ১৭২ গীদমক ভোট থাদনগনি। মীখল অসিগীদমক পুন্না ওফিসিএল লাখ ৮ লিশিং ৫০ শিজিন্নদুনা মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকবা হোৎনগদৌরি।

মরক অসিদা, মীখলগী নোটিফিকেসন থোকখ্রবসু সরকার পায়রিবা এন.দি.এ. অমসুং বিরোধি গ্রান্দস এল্লাইয়েন্সকী মরক্তা সিট য়েন্নবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা লৈখায় তাদ্রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী দিজিটেল ইকো সিষ্টেমনা মালেমগী ইনোভেসন অমসুং ইনক্লুজনদা গ্লোবেল ষ্টেন্দরদ শেম্না ঙম্লক্লি।

মুম্বাইদা ঙরাং গ্লোবেল ফিন-টেক ফেস্ত-২০২৫ তা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিনা য়ু.পি.আইগী খুৎথাংদা থা অমদা লুপা কোতি লাখ ২৫ হেনবগী ত্রান্সজেক্সন বিল্লিয়ন ২০ হেন্না তৌরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী প্রধান মন্ত্রি-কির-স্তামরনা হায়-য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং ভারত অসি ফিন টেক্কী লমদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা মপাং অমা ওইবতা নত্তনা মালেমগী লুচিংবা ওইরক্লি। মহাকা হায়-ভারত অমসুং য়ু.কেগী ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্টনা লৈবাক অনিগী জি.দি.পি. ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। য়ান্ন-ৱারোল অসি লৈবাক অনিগী ওইনা চাউনা মায় পাকপনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মেঘালয়াগী চীফ মিনিস্তর-কোনরাদ কে. সংমাগী মনিপুর খোঙচৎকী পাউ, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী পৈশা লান্না শিজিন্নখিবগী মতাংদা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা চত্থরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী পাউ অমদি দিল্লিদা লৈরিবা এম.এল.এশিংগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

কোনরাদ কে. সংমানা সি.এস.ওশিং অমদি আই.দি.পিশিং উন্নদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবগী মতাংদা খন্নখ্রে। পোপুলর গভরমেন্ট অমা শেমদ্রিঙৈদা রাজ্য অসিদা মপুং ফানা তংদু লৈতাবা পুরকপা তঙাইফদে হায়বা শ্রী সংমাগী ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-দিল্লিদা লৈরিবা এম.এল.এশিংনা ঙসি দি.এল. সন্তোস উন্নরবা য়ারি, গভরমেন্ট শেম্নগী থাজবদি সম্বিৎনা পীরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসন ২০২৫ লোয়শিনখ্রে। ৱাইল্ড লাইফ কনবা হায়বসি ঐখোয় ইশানা ইশা কনানো মশক তাকপনি, চাউথোকচনিংঙাইনি হায়বা গভরনরগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

পোকফমদা-এম.য়ুগী ফ্রোদ কেস ই.দিনা লুপা লাখ ৭১ গী লন-থুম

এটেচ তৌরকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা লৈঙাক শেম্বদা এন.পি.পিনা শৌগৎকনি হায়বা কোনরাদ কে. সংমাগী ৱাফম সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী এম.পি. মরিরক ওইদুনা য়ুনিয়ন মিনিস্তর ওইরম্বা-রাজেন গোহেন য়াওনা মরুওইবা মীওই ১৭ বি.জে.পিদগী তোকখ্রে হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গভনর-অজয় কুমার ভালানা জিরিবাম-খোংশাং-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে প্রোজেক্ট রিভিয়ু তৌখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেনিয়ার পুলিস ওফিসার ৩০ ত্রান্সফর তৌখিবগী পাউ, মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

লিংজেল মান্নদ্রবদি মীতৈনা ইন্দিয়ান ওইবসু খুদোংথিনিংঙাইনি, ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৈবসু মুৎনিংঙাইনি হায়বা প্রিপাক (প্রো) গী ৱাফম পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-অপুনবা শক্তম, নুংশি চান্নবদা শিংনরে হায়বা প্রিপাক্কী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোংদা ব্লড দোনেসন কেম্প অমদি ক্বালিতি ভোলুন্টরি ব্লড দোনরগী মতাংদা এৱারনেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী লুচিংবা মুইভানা মহাক্কী পোকফম লমদম সোমদাল খুলদা লাকপদা মীতৈ লীপুলনা তরামা ওক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি জিলাগী বেন্দ্রমাই ভিলেজতা বরমিজ পাইথোনশিং থাদোকখ্রে হায়বা পাউ ফোংলি।